# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-11-2025)**

**সঙাই (এল)ঃ** মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫ গী ঙসি ৯ নি চনবা নুমিৎতা পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা বোর্টতা নুমিদাংৱাইরম পুং মঙাদগী চোথে ত্রেদিসনেল দান্স, ফোল্ক ফ্যুজন ম্যুজিক, লমকাং ত্রেদিসনেল দান্স, ধোল-ধোলোক চেলোম, ক্রিয়েটিব এন্দ এক্সপরিমেন্টেল ম্যুজিক অমসুং এক ভারত শ্রেস্থ ভারতকী মখাদা উত্তর প্রদেসতগী লাকপা আর্টিষ্টশিংনা উৎপা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

হাপ্তা কাংজৈবুংদনা কবুই ফোল্ক সোং অমসং দান্স, ফোল্ক ফ্যুজন ম্যুজিক অমসুং মোইরাং পর্ব নুংথিল পুং অহুমদগী উৎকনি।

অমরোমদা, ফেষ্টিবেল অসিগী শরুক অমা ওইনা মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ১৫ শুবা মনিপুর পোলো ইন্টরনেসনেলগী ফাইনেলদা ঙসি ইন্দিয়া (বি) মনিপুরগা কলম্বীয়াগা থেংনরগনি।

ওল মনিপুর পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা কংলা মনুং কাংজৈবুংদা চথরিবা শগোল কাংজৈ কপ-২০২৫ গী ফাইনেলদা ঙসি চিংখৈ হুনবা পোলো ক্লব অমদি এক্স পোলো ক্লব থেংনরগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমসুং আইননা য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং থিদুনা ফাগৎপগী থবক সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখা তানা চথরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-থৌবাল জিলাগী খাঙবোক পার্ট টু এরিয়াদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা প্রিপাক (প্রো) গা মীওই অমা ফারে। অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা নিয়ম চুমদনা অমদি মোটোর ভেহিকল এক্ট খোঙ্গাউনদুনা গাড়ি থৌবশিং ফাগৎতুনা ফাইন থিহনবগী থবক

লেপ্তুনা চত্থরি। ঙরাংসু অসিগুম্বা মীওই ১২ দা চলান কত্তুনা লুপা লিশিং ১২ খোমগৎখি। অতোপ্পা গাড়ি মরিদনা তিনটেদ ফিল্ম নপ্পম্বশিং লৌথোকখি।

**ইগজিবিসন (এল)ঃ** পরিং নাইনা চত্থরকপা থোইথোইবা ময়াংলম্বম (য়েলহৌ য়াংকোপ আর্টিষ্ট) কী সোলো আর্ট ইগজিবিসন-শকাইরবশিংগী লিক্লু পরেং ইপিসোট-ফাইব ঙরাং মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা ইম্ফাল আর্ট কলেজতা হৌদোকখ্রে।

ইগজিবিসন অসিদা শকাইরবা মীওই ২৫ অমদি লৈমরেনবী ইন্দুপর্বগী অয়েকপা য়াওনা লাই ২৬ উৎলি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা টুরি অমদি খোরিরোলগী ইতিনফম  হায়বা হীরমদা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসু পাঙথোকখি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৮ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ৩০ নোংমাইজিং নুমিৎকী  অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিগী মীয়াম অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা হোৎনমীন্নরবা মতমদা চাউখৎলবা ভারত অমা ওইরকপা ঙমগদৌরিবনি।

গৱাগী কনাকোনা মনাক্তা লৈবা সরধা পঞ্চ-সতামা-নোসবতা

পাঙথোকপা ভক্তা চা কয়া তিনখিবা থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-গৱানা অরুবা ফিভম কয়া মায়োকরবসু মখোয়গী অশেংবা নাৎ-চৎনবীশিং ঙাক শেন্দুনা থন্বা অমসুং নৌনা শেমগৎপগী থবকশিং চথরিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। মহাকা হায়-লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা মফমশিং অসি থাজবগী ৱাখল্লোনশিং য়োকখৎতুনা থন্বা খক্তা নত্তনা মীওইবগী মীনুংশি অমদি নাৎ-চৎনবীশিংসু ঙাক্তুনা থমবা হোৎনগদবনি।

**মোদিঃ** পুলিসকী দাইরেক্তর জেনরেল অমসুং ইন্সপেক্তর জেনরেলশিংগী ওল ইন্দিয়া কনফরেন্স ঙরাংদগী ছাতিসগরগী নৱা রাইপুরদা লৈবা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্টতা হৌখ্রে।

নুমিৎ হুমনি চথগদবা মীফম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম রাইপুরদা থুংখ্রে। মীফম অসিদা শ্রী মোদিনা ঙসি অমসুং হয়েং তোঙান তোঙানবা সেসনশিংদা ৱা ঙাংগনি।

মীফম অসিদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, নেসনেল সেক্যুরিত এদভাইজর-অজিৎ দৌবাল, হোমগী রাজ্য মন্ত্রি অমসুং রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী দি.জি.পিশিং শরুক য়ারি।

**মীফমঃ** লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা সংসদকী নীংথম মীফম মাংওইননা হয়েং সরকারনা রাজনিতি দল পুমমক্কী ওইবা মীফম অমা কৌরি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরন রিজিজ্না মীফম অসিদা রাজনিতি দলশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নদুনা মীফম অসি নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমবা থৌরাং তৌরি। সংসদকী নীংথম মীফম অসি দিসেম্বর ১৯ ফাওবা চথগনি। মীফম মনুংদা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা বিল কয়া পুথোক্কনি। সভাগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা বিরোধি দলশিংনা মপুং ফানা মতেং পাংবিনবসু শ্রী রিজিজ্না আপিল তৌরি।

**তমাংঃ** ভারত সংবিধানবু ৯ শুবা সেদ্যুলদা চল্লবা নেপালি লোল য়াওনা পুন্না লোল ৯ দা হন্দোক্তুনা ফোংবগীদমক সিক্কিমগী মুখ্য মন্ত্রি-প্রেম সিংহ তমাংনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

ৱারোল অমদা শ্রী তমাংনা হায়-হমারা সংবিধান, হমারা স্বাভিমান হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা ৭৬ শুবা সংবিধান দিবসকী থৌরম অদুনা খেৎনবা ফুরুপ কাংলুপ কয়ানা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা চাউরবা লৈবাক ভারত্তা সংবিধানগী মরুওইবশিং মীয়ামদা হেন্না খঙহনবদা কান্নবা কয়া পীখি।

**মাওইষ্টঃ** ছাতিসগরগী বাস্তর রিজনদা লৈবা দিভিজনেল হেদক্কাটরস জগদলপুরদা মাওইষ্ট ১০ খুৎলায় থাদোক্তুনা পুলিসতা চংজখ্রে।

চংজরকপশিং অদুগী মনুংদা জিরাম ভেল্লি এট্রেক্তা মপুং ওইনা চেন্নবা-শ্যাম দাদা হায়রগসু খঙনবা চাইতু য়াওরি। কুমজা ২০১৩ দা চথখিবা এট্রেক অদুদা কংগ্রেসকী লুচিংবশিং য়াওনা মীওই ৩০ রোমগী পুন্সি মাঙখিবনি অমসুং কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবনি। চাইতু অসি মাওইষ্টশিংগী দরভা দিভিজনগী থৌবা পুবা মীওইনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শকখঙদবশিংনা অসাম রাইফলসতা এম্বুস চথখিবা, সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপগী মায়োক্তা মহৈরোই কয়া য়াওনা য়াল্লবা মীওইশিংনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-শকখঙদবশিংগী এম্বুসতা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল মরি শোক্লে। মনিপুরদা পি.আর. লাক্লবা মতুং সেক্যুরিতি ফোর্সতা এম্বুস অনিরক তৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক,

নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন অমসুং অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই ফেষ্টিবেলগী মায়োক্তা ঙরাংসু ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং চংশিনখি। মহৈরোইশিংনা খুন্মন লম্পাক্তা থোমজিনখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা চহি লিশিং ৩৭ শুরবা আইস এজগী তিঙ্খং পানবা ৱাগী লেমহৌখাক খরা ফংলে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এম.সি.পি.সি.আরনা পাঙথোকপা মেন্টেল হেলথ অমসুং সাইকো সোসিএল সপোর্ট ক্লিনিকশিংদা, সেভিয়ার মেন্টেল হেলথ ইশ্যু মায়োকরম্বা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরকপা আই.দি.পি. অঙাং ৬৩ থেংনখিব্রা হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। আই.দি.পিশিংগী একাউন্টতা য়ুম শানবনি হায়দুনা হাপ্পকপা লুপা লিশিং ৮৫ হন্দোক্লগনি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেলদা মনিপুর পুলিস, হাউজিং কোরপোরেসন লিমিটেদ শুকয়াউ য়াওহন্দ্রিবা করিগীনো হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য অসিগী ওইরিবা ফিভমগী চৈরক অসিদা সঙাই ফেষ্টিবেলগী জগোই-ঈশৈ থৌরমদা শরুক য়াবা হায়বসি য়ামা লাইবক থিবনি হায়না কোকোমিনা পেন দবা ৱাফম ফোংদোকখিবা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য অসিগী চীংগী জিলাশিং খক্তগী ওইবা তোঙানবা বজেট অমা শেন্বীনবগী মতাংদা পিটিসন থাখিবা অদু রাস্ত্রপতিনা পাউখুম পীরকখ্রে হায়বা পাউ-গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং জিলাগী লম্ফা ভিলেজতগী ফারকপা সাভেং মচা অমা মনিপুর জ়লোজিকেল গার্দেনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা

হেদলাইন তৌরি। তেলঙ্গানা নোর্থ ইষ্ট কন্নেক্ট ফেষ্টিবেল-২০২৫ গী অরোইবা নুমিৎতা ঙরাং নোর্থ ইষ্ট কন্নেক্ট এসোসিয়েসন (এন.ই.সি.এ) হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।